মরন্নাই পৈশা পুথোক্লগা থবক শুবা য়াওরম্লবদি এক্সন লৌখৎখ্রেঃসিএম

ইম্ফাল, ফেব্রুৱারী ২৭ : এমজিএনআরইজি এস কী থবক শুবদা জোব কার্ড হোল্ডরশিংনা শুরিবা থবক অসি জিপিগী মেম্বরশিংনা হান্না মরন্নাই পৈশা পুথোক্লগা থবক শুবা য়াওরম্লবদি এক্সন লৌখৎকে হায়না খুরাই কেন্দ্রগী এমএলএ ডা: এন জি বিজয়না হংলকপা ষ্টার ক্বেসন অমগী পাউখুমদা চিফমিনিষ্টর শ্রী ও ইবোবীনা আর দি এন্দ পি আর মিনিষ্টরগী মহুৎ শিন্দুনা হাউসতা থমখ্রে।

এমএলএ অসিনা হংলকপা ৱাহংগী পাউখুমদা চিফ মিনিষ্টরনা মখা তানা হায়খিবদা, জোব কার্ড হোল্ডরশিংনা শুরিবা থবক জিপি গী মেম্বরশিংনা হান্না শেল পুথোক্লগা থবক শুই হায়রিবসি চুমদে। জিপি খুদিংগী এয়ারমার্ক তৌবা ফন্দ থমদনা কন্সটিট্যুয়েন্সি খুদিংমক্তা লৈবা জিপিগী মেম্বরশিংনা থবক পায়খৎলি হায়বসিসু চুমদে। থবক শুরবা শেল পীথোক্তবা ইম্ফাল ৱেষ্টকী ওইনা থবক ৩৬ লৈ। জোব কার্ড হোল্ডর অমনা থবক দিমান্দ তৌরকপদা নুমিৎ ১৫নিগী মনুংদা থবক পীদ্রবদি কার্ড হোল্ডর অদুদা অন ইমপ্লোইমেন্ট এলাওৱেন্স পীনবা এক্ট তা য়াওরি। মমাংদা ইম্ফাল ইষ্টকী ওইনা এলাওৱেন্স পীখিবা লৈ। ষ্টেটকী শেল-থুমগী ফিভম ফত্তবনা অন ইনপ্লোইমেন্ট এলাওৱেন্স দিমান্দ তৌরকপদা ৱার্ক একজিকুইসন অসি তৌরকপনি। অদুগা থবকশিং অসি দিমান্দ বেসিসতা পীরি। মসিদা ব্যুরোক্রেটশিংনা লান্না তৌবা লৈরম্লোই হায়খি।

খন্ন-নৈনবা অদুদা শরুক য়ারদুনা এম এল এ এন বীরেননসু মহাক্কী কেন্দ্রদা গ্রাম পঞ্চায়টকী মেম্বর খরনা মরন্নাই পৈশা পুথোক্তুনা থবক শুবা য়াওরি। মসিদা ব্যুরোক্রেট ওফিসার চেন্নরম্বা য়াই। এক্সন লৌখৎপীয়ু হায়খি।

এমএলএ টি ঐচ শ্যামকুমারনা পুখৎলকপা ষ্টার ক্বেসনগী পাউখুমদা মিনিষ্টর আই হেমোচন্দ্রনা হায়খিবদা, মণিপুরদা ফঙ্কসন তৌরগা লৈরিবা ৱাটর সপ্লাই স্কিম অসি ১৮০৫নি। মথৌ তৌবা ঙমদবা স্কিমনা ৪১নি হায়খি। ৱাহং পাউখুম অসিগী সপ্লিমেন্টরি ওইনা এমএলএ শ্যামকুমারনা সরকারনা ৱাটর সপ্লাই স্কিম কয়া কম্মিটি শেমদুনা মেন্টেনেন্স তৌরি। অদুবু দিপার্টমেন্টনা কন্না হোৎনরি হায়বসি নুংঙাই। মসি মখা তানা মপুং ফানা থবক তৌনবা মথৌ তৌদ্রবা স্কিমশিং তৌহনবীয়ু হায়না তকশিনখি।

জেলগী এসপি থম্নবা হাউসকী পুক্লিং চিংশিনখ্রে

ইম্ফাল, ফেব্রুৱারী ২৭ : হৌজিক চত্থরিবা এসেমব্লি মীফমদা এমএলএশিংনা লম্বী শেম্নবা, বোর্ডকী সেক্রেটরি নিয়ম চুম্না হাৎনবা, দিগবিজয় মীশি চিংনৈ হায়বা য়াওনা জেলগী এসপি অমা থম্বীয়ু হায়না তোঙান তোঙানবা এমএলএশিংনা জিরো অৱারগী খুদোংচাবা লৌদুনা হাউসকী পুক্লিং চিংশিনখ্রে।

এমএলএ জয়কিষন্না মীফম অদুগী খুদোংচাবা লৌরবা খুয়াথোংদগী এসেমব্লি তাবা লম্বী অসি শেম্বীয়ু। লম্বী অসি পোট হোলনচিংবা মেনশিনবীয়ু হায়না হাউসকী পুক্লিং চিংশিনখি।

কৈশামথোং কেন্দ্রগী এমএলএ এল ইবোমচানা হৌজিক হাংদুনা লৈরিবা বোর্ডকী সেক্রেটরি হাপ্পদা নিয়ম চুম্না হাপ্পীয়ু। মদুনা বোর্ড ফগৎহনবদা মতেং ওইগনি হায়রি।

এমএলএ লুখোইনা নুপী চেনবগী কেসকা মরী লৈননা ৱাঙ্গোই মখা লৈকাইদগী থৌদাম দিগবিজয় অপোকপা কুমার ৱাঙ্গোই পুলিস ষ্টেসনগী লোকঅপতা মশা মতোমতা সুসাইদ তৌরম্লে হায়বসি চিংননিংঙাই ওই। পুলিস ষ্টেসন অসি হন্দক হোম মিনিষ্টরগা হকথেংননা য়েংলুবদা কনাগুম্বা অমত্তনা থৌরি য়ান্দুনা শিবা য়াবা পোৎ-চৈ অমত্তা থেংনরক্তে। টোইলেটকী থোংদা থৌরি য়ান্দুনা শিরম্বনি হায়বসি চিংননিঙাই ওই। জিরো অৱারগী মতমদা হংবা ৱাহংশিংগী পাউখুম পীনদে হায়বা য়াজে। অদুবু ইশু অসি সেসন মনুং ওইবনা হোম মিনিষ্টর অমসুং লিদর ওফ দি হাউসনা তশেংনা সুসাইদলা নত্রগা পুলিসনা ফুবদা শিৱা হায়বদু থম্বীয়ু। নত্রগদি সেন্টিমেন্ট ওইবা ইশু ওইবনা লৈবাক ইরাং হৌরকপা য়াই হায়খি।

চান্দেল কেন্দ্রগী এমএলএ নুংলুং ভিক্টরনা হায়খিবদা জেলগী এসপি ওইরম্বা আর কে মুইভা দি আই জি দা প্রমোসন কায়খিবদগী জেলগী এসপি লৈতবনা অৱাবা ওইরি। মসি কোক্লবা এদিসনেল এসপিদা এসপিগী চার্জ শিন্নবা য়াত্রা য়েংবীয়ু। গাড়ী পার্কিংগী ৱাহৌদগী ফাখিবা মীওই অমগী মথক্তা আই পি সিগী সেক্সন ৩০৭/৩২৫/৩৫৩/৩৪ পাল্লিবসি হেনমল্লি। পার্কিংগী খৎনবগী ফারগা পাল্লিবা সেক্সন অসি চুনত্র হায়না হাউসকী পুক্লিং চিংশিনখি।

ৱাংজিং কেন্দ্রগী এমএলএ পি ব্রোজেন্না জিরো অৱারগী মতম পুং ১ পীরিবসি শাংদোকপীবা য়াত্রা হায়না হাউসকী পুক্লিং চিংশিনখি।

তেলঙ্গনাগী মথংদা অসামগী ষ্টেট থুগায়রবা বোদোলেন্দ ষ্টেট শেম্বগী ৱাথোক লাক্কদৌরি

নিউ দিল্লি, ফেব্রুৱারী ২৭ : অন্ধ্র প্রদেশতগী তেলঙ্গনা ষ্টেট খায়দোকখ্রবা মতুং অসামদগী তোঙানবা বোদোলেন্দ ষ্টেট অমা শেম্নবা ৱাথোক অমুক লাক্লে।

যুনিয়ন হোম মিনিষ্ট্রিনা অসামদগী বোদোলেন্দ খায়দোক্লগা ষ্টেটহুদ পীবা য়াত্রা হায়বদু য়েংশিন্নবা এক্সপার্ট কম্মিটি অমা শেম্লে হায়না ফোঙদোকখ্রে। লোয়ননা মসিদা সোসাইটিগী সেক্সন খুদিংমক্কসু তান্নগনি হায়রি।

কম্মিটি অসি হোম মিনিষ্ট্রিদা জোইন্ট সেক্রেটরি নোর্থ ইষ্টকী থৌসু পুরম্বা ফোর্মর যুনিয়ন হোম সেক্রেটরি জি কে পিল্লাইনা লুচিংগনি। লোয়ননা কম্মিটি অসিনা বোদোলেন্দ শেম্বগী মতাংদা নীংথিনা একজামিন তৌবা অমসুং সেক্সন খুদিংমক্কা তানদুনা মত লৌরবা মতুং থা ৯ গী মনুংদা মসিগী রিপোর্ট অমা হোম মিনিষ্ট্রিদা সমিট তৌগদবনি। পনবা য়াবদি হৌখিবা চহীগী ওক্টোবর থাদা সেন্ত্রেল গভর্নমেন্টনা তেলঙ্গনা ষ্টেট শেম্নবগী ৱারেপ লাওথোকখ্রবা মতুং তোঙান তোঙানবা বোদো আউটফিটশিংনা বোদো ত্রাইবেলশিংগী ওইনা তোঙানবা ষ্টেট অমা শেম্নবা মখল মখা কয়াগী খোঙজংশিং চংশিন্দুনা লাকখিবনি। বোদোশিং অসি অসামগী ব্রহ্মপুত্র তুরেলগী অৱাং থংবা তোর্ব্বানিগী দিষ্ট্রিক্ট খরদা খুন দারিবনি। লোয়ননা হৌখিবা চহী ২০০৩ দা বোদোলেন্দ শেম্নবগী দিমান্দদা চংশিনখিবা হিংশাগী খোঙজংদা মীওই কয়া শিখ্রবা মতুং সেন্টরগা একোর্দ অমা সাইন তৌনদুনা ওটোনোমস বোদোলেন্দ টেরিটোরিয়েল কাউন্সিল লিংখৎখিবনি। হায়রিবা এরিয়া অসিদা হৌখিবা চহী ২০১২ দা বোদো ত্রাইব অমসুং মীরমদগী হায়জিল্লক্লগা মফম অদুদা লৈশিল্লকখিবা মুসলিমশিংগা হাৎন-শুনবগী থৌদোক কয়াসু থোকখ্রবনি।

মীতৈশিংনা এস টিগী লিষ্টতা চনবগী মতাংদা গৈখাঙম্না হাওসপু লান্না লমজিংনবা হোৎনরে

থৌদাং পাউমীদগী

ইম্ফাল, ফেব্রুৱারী ২৭: থা অসিগী ২৫গী মণিপুর ভিধান সভা মীফম্মদা ষ্টেট অসিগী দিপুটি সি এম ওইরিবা গাইখাঙম্মা মীতৈশিংনা সেদ্যুল ত্রাইবকী লিষ্টতা চন্নবা হোৎনবগী ইশু অসিগী মতাংদা হাওসপু লান্না লমজিংনবা হোৎনখ্রে হায়না ঙসি সেদ্যুল ত্রাইব দিমান্দ কম্মিটিওফমণিপুর (এসটিদিসিএম)না মরাল শীরক্লি।

এস টি দি সি এমগী জেনরেল সেক্রেটরি, লেফটনেল কর্নেল (রিটায়ার্দ) লোকেন্দ্র সিংহনা থাদোরকপা চেরোল অমনা মণিপুর লেজিসলেটিব এসেমব্লিগী মীফম অদুদা ওপোজিসনগী লিডর ওইরিবা এম এল এ, আইইবোহনবী সিংহনা মীতৈশিংনা ইন্দিয়া গর্ভনমেন্টকী সেদ্যুল ত্রাইবকী লিষ্টতা চনশিন্নবা হোৎনবগী ইশু অসিবু হাওসতা পুথোকখিবগীদমক্তা থাগৎপা ফোঙদোরক্লি।

দিপুটি সি এম গাইখাঙমগী মায়কৈদগী পোজিটিব ওইরবা পাউখুম অমা পীখিবা অসিসু থাগৎনিঙাইনি। অদুবু "হান্নদগী ত্রাইবেল ওইরিবা ঐখোয়না তোক্লিংলগা অৱাংবদা লৈরম্বদগী কুমথরক্লগে হায়বসি থাগৎনিঙাইনি।" হায়না গাইখাঙম্না ফোঙদোকখিবা অসিদি হাওসপু লান্না লমজিংবগা চপ মান্নে হায়না চেরোল অসিনা মখা তারি।

মণিপুরদা লৈরিবা ত্রাইব মশিং কয়ানা এস টিগী লিষ্ট অসিদগী লৌথোকপীরো হায়না দরখাষ্ট থানরক্লবগে, অদুগুম্বা ত্রাইবশিং অদু কনা কনানো হায়নসু এস টি দি সি এমনা হংলক্লি।

পোৎ চৈ হুরানখ্রে

ইম্ফাল, ফেব্রুৱারী ২৭ : থা অসিগী ২৬ কী নুমিদাংদা শকখঙদবশিংনা কৈশামথোং থোংখোঙদা টেলিফোনগী অন্দর গ্রাউন্দ কেবলশিং হুরানখিবনা মরম ওইদুনা ক্বাকৈথেল, কৈশামথোং, পীশুম অমদি ঙানপ্পী থোংগী অকোয়বদা টেলিকোম সার্ভিকী অপনবা ওইরগনি হায়না ভারত সঞ্চারনিগম লিমিটেদ (বি এস এন এল) ইম্ফালগী চেরোল অমনা হায়রি।

কয়লাস থাবদা নমথাক তৌরে

ইম্ফাল, ফেব্রুৱারী ২৭ : মণিপুরগী চাউখৎ থৌরাংদা লম্বী-থোং ফজহনবা হায়বসিনা মীয়ামগী অচৌবা মীৎয়েংফম অমা ওইরবা মতম অসিদা ষ্টেট অসিগী কোনুং ওইরিবা ইম্ফাল বজার মনুংদা লম্বীগী কয়লাস থাবদা থীকাদারশিংনা অচৌবা নমথাক কায়মরুম তৌরে হায়না প্রেসতা ৱাকৎনরক্লি।

পি দব্লিয়ু দি, ইম্ফাল ৱেষ্ট দিভিজন্না ৱার্ক ওর্দর পীখিবা ইমপ্রুভমেন্ট ওফ অলু গলি (এস ঐচ রোদ ৱার্ক কী অসি সেদ্যুলদা পীরিবা আইটেমশিং অদুগী ক্বালিটি য়ৌদনা অমসুং বিটুৎমিন মেকাদাম হায়রিবা আইটেম অসি য়াওদনা থবক শুরে। ৱাফম অসি মরী লৈনবা ওথোরিটিনা খঙলকপদগী থবক শুরিবা এম/এস খুমুকচম কনসত্রক্সন কন্ত্রেক্তর মিনুথোং ইম্ফাল ইষ্ট হায়বা ফার্ম অসিদা ফেব্রুৱারী ৪ দা নোটিস অমা থাদুনা অরানবশিং অদু নুমিৎ তরেৎনিগী মনুংদা চুমথোক্লবা খঙহনখ্রে হায়রি।

অসিগুম্বা থবক খুৎশু অসি ইম্ফাল নত্রগা ষ্টেট অসিগী অতে মফমশিংদশু তৌরম্লোই হায়নিংঙাই লৈতে। মরম অসিনা মরী লৈনবা লোয়শঙ অমদি থীকাদারশিংবু পুকচেল শেংনা থবক তৌহন্নবা পাক-শন্না য়েংশিংনবীয়ু হায়না মীয়াম্না ৱাকৎনরক্লি।

এ এ পিগী পোলিটিকেল কনভেন্সন পাঙথোকখ্রে

ইম্ফাল, ফেব্রুৱারী ২৭ : আম অদমি পার্টি (এ এ পি) মণিপুরনা শিন্দুনা ঙরাং কোংনুং লমপাক্তা লৈবা ইবোয়াইমা শুমাং লিলা শঙলেন্দা পার্টি অসিগী নেংমগী ওইব পোলিটিকেল কনভেন্সন অমা পাঙথোকখ্রে।

ঙরাং পাঙথোকখিবা কাভেন্সন অসিগী মপুং ওইবা পান্দমদি, পার্টি অসিগী মখা তাবা মেম্বরশিপ মীং চনবগী দ্রাইব চৎথবা, মীয়ামগী মরক্তা অমগা অমগা ৱাখললোন ফাওদোক্লবগী পার্টি অসিগী কেম্পেন কম্মিটিগী মাইকৈদগী থম্বা, মীরেপ ওগইরকপা য়াবা কেন্দিদেটশিংগী ৱারেল পীবা অমদি অখণ্ড খংদা তানবনা মপুং ওইবা পান্দমদা থমখি হায়না এ এ পিগী কনভেনরগী চেরোল অমনা হায়রি।

চাদা য়াঙ্খ্রে থবক শুদনা বীল পীগনু

ইম্ফাল, ফেব্রুৱারী ২৭ : ময়াং ইম্ফাল অমদি হিয়াংলম কেন্দ্রা অনিগী লাইফ লাইন ওইরিবা ফৌবাকচাও অমদি সেকমাইজিন খুনৌ অনিগী লিতান থোং অসি উপাক ১৫/১৬ খক শিল্লম্লগা তোকখ্রে। থোং অসিগী অতৎপা য়োৎশিং শিনবীরমদ্রে। মসিদা মরী লৈনবশিংনা মীৎয়েং চঙবীয়ু। অদুগীসু মথক্তা থিকাদারশিংনা শুরিবা থবকশিং চাদা য়াঙ্খ্রে শুদনা রনিং বীল পীবিগনু হায়না কম্যুনিটি দিভেলপমেন্ট ওর্গনাইজেসন (সি দি ও) সেকমাইজিন খুনৌগী সেক্রেটরি কোম্ছৌজম মনিহারগী চেরোল অমনা হায়রি।

চৎনা কাংলোন শেমদোক্লে

ইম্ফাল, ফেব্রুৱারী ২৭ : থা অসিগী ১৮ দা ফীল্ম ফোরম মণিপুরগী ওফিসতা ফিল্ম দাইরেক্তর গিল্ড মণিপুর অমদি ফীল্ম ফোরম মণিপুরগা পুন্না মীফম অমা পাঙথোকখি। মীফম অদুদা হান্না চৎনরম্বা মণিপুর ফীল্ম পুথোকপগী কাংলোনশিং অদুদা অহোংবা খরা থম্লে। চৎনা কাংলোন হোংদোক্লিবশিং অদুগী অকুপ্পা মরোল ফীল্ম ফোরম মণিপুরদগী খংবা য়াগনি হায়না ফোরমগী সেক্রেটরি জেনেরেল এম ঈপুগী চেরোল অমনা হায়রি।

পাক হাংদোকখ্রে

ইম্ফাল, ফেব্রুৱারী ২৭ : ঙসি নিংথৌখোং বজারগী ম্যুনিসিপাল ওফিস মনাক্ত সেকেন্দ ষ্টেট ফাইনান্স কম্মিসন ২০০৯-১০ গী শেল্হং মখাদা পব্লিক পাক অমা হাংদোকখ্রে। থৌরমদুদা নিংথৌখোং ম্যুনিসিপাল কাউন্সিলগী চেয়ারপার্সন আর বিমোলানা চিফ গেষ্ট ওইখি।

ঙসিগী ৱাশি ফল

মেষ : খংহৌদনা থাজদবা মফমদা শেল চৎপা নুমিৎনি।
বৃষ : পুং-ঈশৈ তৌবা, মোইবুং খোংবগী থবক কানবা নুমিৎনি।
মিথুন : ৱানোম্বা, হায়জবা করবার তৌবা মায়পাকপা কানবা নুমিৎনি।
কর্কট : লৈকাইগী থবক থৌরম অশিন আরং শাবা ওই।
সিংহ : ৱানোম্বা মায় পাকপা, নুংঙাইবা নুমিৎনি।
কন্যা : লাইরিক ইবা, লাইরিক ফোংবা, লিলা শানবা নুমিৎ ওই।
তুলা : হরাও কুম্মৈ য়েংবা, মরুপ মপাংগা চামিন্নবা নুমিৎ ওই।
বৃশ্চিক : ফম কাবা, শেল মখোং পানবা নুমিৎ ওই।
ধনু : মথৌ য়াম্না চিনবা, খরা হৈনিংবা ৱাৎপা নুমিৎ ওই।
মকর : হান্ননা চক্রি থাংবা থবক তং-তাবা নুমিৎনি।
কুম্ভ : অনৌবা মরুপ ফংবা, ৱাখল তং তাবা নুমিৎনি।
মীন : লাইবক য়েংবাগী থবক্তা মায় পাকপা নুমিৎনি।

GAS

GBD Indane Service, Lamlong
Bk. 14-12-13............................306
V.F. 3-12-13
Delivery 7.30 am to 11 am

Khongnang Gas, Ningthoukhong
Bk. 6-12-13............................900
V.F. 1-11-13
Delivery 7.30 am to 11.30 am

Yairipok Gas
Bk. 14-1-14............................306
V.F. 30-12-13
Delivery time 7 am to 10 am

Manipur Gas
Bk. 17-12-13............................612
V.F. 12-12-13
Delivery time 7.30 am to 10 am

জেদ ই ও না লান্না পৈশা লৌথোকখিবা লৈতে

তাং ২৬-২-২০১৪ ইংদা মণিপুর প্রেস ক্লবতা পুমলেন য়াউবী দিভলপমেন্ট ওর্গনাইজেসনগী সেক্রেটরি হাওবিজম ইবোচৌবা সিংহনা হিয়াংলম এসেমব্লি কন্সটিট্যুএন্সিগী মনুংদা এস এস এ গী মখাদা নৌনা শাগদবা প্রাইমরি স্কুলশিংগী শেনফম লান্না লৌথোকখ্রে হায়রিবা ৱাফম অসি য়ুমফম য়াওদবা অমনি। হায়রিবাস্কুলশিং অসিগী বেঙ্ক ওপরেটরশিং অসি এ আই অমসুং দি পি এম না ওইবনি। লৌথোকলিবা শেনফমশিং অসি হান্না এপুরুপ তৌদুনা লৈরবা এস এম দি সি শিংদা পীদুনা থবক শুবা হৌখ্রবনি। অসিগুম্বা মরি লৈনদবা ৱাফমশিং অসি ফোংদোক্লিবা মীওই অসি লাঙ্গোয়বুংদা লৈতবা মফম অদুগী ভোটর ফাওবা চন্দবা মীওইনি।

Laishram Subon Singh
Zonal EducationOfficer/ Kakching
Government of Manipur

NT/RB/28

IN THE COURT OF THE SUB-DEPUTY COLLECTOR IMPHAL WEST (CENTRAL)

Ref: Mutation Case. No. 338/SDC/IW(C)/2014 Dt. 25/2/2014

Chanam Sanatomba Singh S/o (L) Chanam. Mani Singh of Iroishemba Mayai Leikai.
... Petitioners

-Vrs:-

(L) Chanam Mani Singh S/o (L) Ibotombi Singh of Iroishemba Lourembam Leikai.
... O.P.s

NOTICE

The 25th Feb., 2014

Under Section 46 (3) of M.L.R. & L.R. Act,1960 অসিনা মরম ওইদুনা খঙহল্লি মদুদি মৃ: পাট্টাদার চনম মনি সিংহ পীং মৃ: ইবোতোম্বী সিংহ, সাং ইরোইশেম্বা লৌরেম্বম লৈকাই গী মিংদা লৈবা ই:ও তহশিলগী খুল নং ৯২-ইরোইশেম্বা গী অনৌবা পাট্টা নং ১০৮/৬৩৬ দাগ নং ১৫৭ অমসুং এরিয়ানা .০৩২৪ হেক্টর চাওবা ইঙ্খোল অসি মথক্তা পীরিবা দংকারি অসিনা মাগী মমিংদা পানবীনবা উক্তা কোর্ট অসিদা দরখাষ্ট থারক্লে। মরম অসিনা পাউ-চে অসিনা ফোঙবা মতুং নুমিৎ ৭ নি গী মনুংদা ইঙ্খোল অসিগা মরী লৈনবা কনাগুম্বনা আপতি তৌবীনিংলবদি তৌবা য়াগনি। মথক্তা পীরিবা মতমঅসিগী মতুংদগীদি কনা অমত্তগীআপতি লৈত্রে লৌরগা কোর্টনা মখা তাবা থবক চত্খজরগনি।

Sd/- **Sub-Deputy Collector**
Imphal West (Central)

NT/58788/28

হেপটাইটিস বি নারে হায়দুনা ইঙ্হোকপীরক্লে

ইম্ফাল, ফেব্রুৱারী ২৭ : নুংশিনদুনা অহল-লমন থাদুনা এনগেষ্ট তৌনদুনা লুহোংদুনা মীরোল্লবী নুপী অমা হেপটাইটিস বি নারে হায়দুনা ময়ুমদা লৈরনু হায়না ইঙ্হোকপীরক্লে। মীরোল্লবা অঙাং অদুসু মাংহনখ্রো হায়না চৈ থাংবগা লোয়ননা কিহনবগী থৌওং কয়া চত্থরে। মসিদা মরী লৈনবশিংনা মীৎয়েং চংবীয়ু হায়না ভিক্তিম ওইরিবী মালোম মনিং লৈকাইদগী সরাংথেম নিঙোল য়ুমখাইবম ওংবী অনিতাবী (২৬) অপোকপা লৈখিদ্রবা মঙ্গিনা ঙসি প্রেস ক্লবতা পাঙথোকখিবা পাউগী মীফম অমদা হায়খ্রে।

মহাক্লা মখা তানা হায়খিবদা, মালোম মমাং লৈকাইদগী হৌজিক্লা কোদোমপোকপী লমখাই মখা লৈকাইদা লৈবা য়ুমখাইবম রোজেন (৩৪) অপোকপা ইঙেনজাওগা মমাং চহীগী নভেম্বর ১৫ দা লুহোংখি। মীরোল্লবা মতুং রিমসকী ডাক্টর নবকিশ্বরদা য়েংলগা ববিনাদা টেষ্ট তৌবদা মখোয় অনিমক হেপটাইটিস (বি) পোজিটিভ ওইরে হায়বা খঙলকখিবনি। মসিগী মতুং ক্বাকৈথেলগী ডা: রোমিওদা য়েংবদা লায়না অসি মতম খরা চংলবসু ফহনবা ঙমগনি। অঙাংদা থোইদোকপা অকায়বা লৈরোই হায়বদগী হরাওনা য়ুমদা হল্লকখি। মসিগী মতুং নোংম-নিনি লৈরগা য়ুমদা লৈবিরনু হায়না চৈ থাংবা হৌখি। মসিগী মতুং মপুরোইবনা অঙাং অদু লৌথোক্লবা হোৎনরকপদগী ময়ুমগী মী কৌরগা হল্লকখি। আইন্না য়াদবা মওংদা অঙাং মাংহনবা পামদে। নুপাগা খায়দোক্লদুনা ইচাগীদমক লৈখিগনি। ইচাগী ফংফম থোকপা চাকথুং মরী লৈনবশিংনা ফংহনবীদুনা য়েংশিনবা ঙমহনবীয়ু হায়খি।

লেম্না লাইরিক য়েঙ্হোকখ্রে

ইম্ফাল, ফেব্রুৱারী ২৭ : এমএসএফকী ঐখোয় লাইরিক নীংথিনা তমসি হায়বা কেম্পেইনগী শরুক অমা ওইনা ঙসি চনম শন্দ্রোক্তা লৈবা গমা রে কম্যুনিটি হোলদা মহৈরোই ৩০ রোমদা লেম্না লাইরিক য়েঙ্হোকখ্রে।

লাইরিক য়েঙ্হোকপগী থৌরমদুগা মরী লৈননা এমএসএফকী প্রসিদেন্ট আই কোরেংনা হায়খিবদা লমদম অসিদা প্রাইভেট স্কুলখক্তদা খল্লিবা ৱাখল্লোন অসি লানগনি। মফম কয়াদা সরকারগী স্কুলশিংদা সরকার পীরিবা খুদোংচাবশিং লৌদুনা ঐখোয়না ইশাগী শেন্মীৎলোন ফগৎহনবা ঙমগনি। আর টি ই অসি সরকারগী স্কুলশিংদা নত্তনা প্রাইভেট স্কুলশিংদা মসিগী খুদোংচাবা লৈতে। সরকারগী ওজাশিংনা মশাগী সার্ভিস রুলগী মখাদা থবক তৌদুনা অফবা মহৈরোই পুথোক্লবা হোৎনবীয়ু। মহৈরোইশিংনসু থৱায় য়াওনা হোৎনরবতদা সরকারগী স্কুলশিং চাওখৎহনবা ঙম্বতা নত্তনা লমদম অসিদা অফবা মহৈরোইশিংসু পুথোক্তুনা অফবা খুন্নাই অমা ওইহনবা ঙমগনি হায়রি।

মিনিষ্টর ওকেন্না ওজাশিংনা নমথাক তৌবিরে

ইম্ফাল, ফেব্রুৱারী ২৭ : এডুকেসন মিনিষ্টরনা এডুকেসন (এস)তা থবক তৌরিবা এদহোগ ইমপ্লোয়িশিং রিগুলর তাহনগনি হায়না থাজবা পীখ্রবসু ঙসি ফাওবদা থবক্তা ওঙ্হোকপা ঙমদবসি লাইবক থিবনি। মিনিষ্টর মশানা ঙাংখিবা ৱাফম ঙাক্তনা ওজাশিংদা নমথাক তৌবিরে হায়না ওল মণিপুরএদহোগ ইমপ্লোয়ি এসোসিয়েসন এডুকেসন (এস)কী কনভেনর আর কোইরেংনা ঙসি মোইরাংখোমগী মোরে পার্কিংদা দিপার্টমেন্ট অসিগী এদহোগ কর্ম্মচারিশিং রিগুলর তাহল্লু হায়না চত্থখিবা সিট ইন প্রোটেষ্টকা মরী লৈননা পাউমীশিংদা ফোঙদোকখ্রে।

মহাক্লা মখা তানা হায়খিবদা, দিপার্টমেন্ট অসিগী এদহোগ কর্ম্মচারিশিং রিগুলর তাহল্লু হায়না সিএম অমসুং এডুকেসন মিনিষ্টরদা মেমোরেন্দম কয়া পীশিনখ্রবসু থবক্তা ওঙ্হোক্তুনা লৈরি। অদুগা অতোপ্পা দিপার্টমেন্টশিংগীনা রিগুলর তানখ্রে। মরম অদুনা এডুকেসন মিনিষ্টরনা মশানা ঙাংথোকখিবা ৱা ঙাক্তবা অমসুং কর্ম্মচারিশিং অসিবু রিগুলর তাহন্দ্রবদি মতম কক্তুনা মণিপুর বন্দ তৌবগী খোঙজং চংশিল্লগনি হায়খি।

সরকারনা ফিরেপ অমা লৌবা চুমগনি

ইম্ফাল, ফেব্রুৱারী ২৭: হৌজিক চত্থরিবা এসেমব্লি সেসন মনুংদা ইঞ্জিন্নিয়ারিং দিপার্টমেন্ট ৫ হায়বদি ইলেক্ট্রিসিটি, ৱার্ক্স, পব্লিক হেলথ, আই এফ সি দি অমসুং মাইনর ইরিগেসন দিপার্টমেন্টতা লৈরিবা ৱার্ক চার্জ, মাষ্টররোল অমসুং কেজ্যুয়েল শিন্মীশিং অসিগী জোব সেক্যুরিটি লৈনবা অমসুং খুন্দা-লৈতনবা ফীরেপ অমা লৌদুনা সরকার অমগী মরুমদা হীংলিবা শিন্মীশিংদা পাউখুম অমা পীবিয়ু হায়না ইফিদয়ান নেস্নেল ট্রেদ যুনিয়ন কংগ্রেসনা থাদোরকপা চেরোল অমনা হায়রি।

চেরোল অসিনা মখা তানা হায়রিবনা, মাইনর ইরিগেসনগীনা থা ১১ তলব পিদনা থম্লা, ৱার্ক্স দিপার্টমেন্টনা সিক্স পে পীদ্রিঙৈদগী থা ২৩গী তলব পীবিদবা, পি ঐচ ই দিগীনা ৱার্ক চার্জ করম্মচারিশিংগী থা ৩৯গী এরিয়ারগী মনুংদা থা ৯ পীগনি হায়না সরকারগী ওর্দর থোকখ্রবসু ঙসি ফাওবা পীথোক্তনা লৈরি হায়রদুনা সরকার অসিনা কর্ম্মচারিশিং অসিবু অতোনবনি খন্দুনা তুমিন্না লৈশিনখিবা তারবদি দিপার্টমেন্ট ৫ অসিদা থবক তৌরিবা কর্ম্মচারিশিং নীংবা কায়বদগী থোক্লকন্দবা থোকহন্নিংদবা থৌদোক-ৱাথোক থোক্ত্রিঙৈদা সরকারনা রিগুরলাইজেসনগী ফিরেপ অমা লৌবিয়ু হায়রি।

হেলথ মেলা হৌখ্রে

ইম্ফাল, ফেব্রুৱারী ২৭: দিষ্ট্রিক্ট হেলথ মিসন সোসাইটি, ইম্ফাল ৱেষ্টনা শিন্দুনা নেস্নেল রুরেল হেলথ মিসনগী মখাদা সাদার পতেল হায় স্কুল খুরখুল মখা লৈকায়দা ঙসিদগী হৌদুনা ফেব্রুৱারি ২৮ ফাওবা পাঙথোক্কদৌরিবা নুমিৎ নীনিগী ওইবা দিষ্ট্রিক্ট হেলথ মেলা হৌখ্রে।

হেলথ মেলা অসিগা মরী লৈননা ভর্টিকেল প্রোগ্রাম ওইনা টি বি, মেলেরিয়া, লেপ্রোসি, ঐচ আই ভি এদস, ফুন্দ সেবটি সিজস হায়বা লাইনা অমদি লাইনাশিং অসিদগী করম্না ঙাকথোক্কনি হায়বসিদা এৱার্নেস পীখি। মীওই ৫০০ মুক্না শরুক য়াখিবা মেলা অসিদা লমদম অসিগী ছত্রা-ছত্রিশিংসু শরুক য়াখি অমদি মীরোল্লবী মীওই ৩৫বু অল্ট্রা সাউন্নচিংবা কয়া লৌখি হায়রি।

"মণিপুর কায়রগনি"

ইম্ফাল, ফেব্রুৱারী ২৭ : মণিপুর মপাঙ্হোংদা মপুম ওইনা উজ্জরবসু মনুংদদি মচেৎ মচেৎ কায়রে। মসিগী মরু ওইবা ৱাফমদি, হন্দক ভারত সরকারগী হোম মোনির্টরিগী জোইন্ট সেক্রেটরি শমভুনা দিল্লিদা থা অসিগী ২৪ দা ভিজন কম্যুনিকেসন পাউমীশিংদা ফোঙদোকখিবা অদুদা ময়েক শেংনা য়াওরে।

মীয়াম্না এনএসসিএন (আইএম) গী ফ্রন্টিয়েল অমনি হায়না ঙাংনরিবা যু এন সিগী দিমান্দ অল্টরনেটিপ এরেঞ্জমেন্টগী ৱারোইশিন পুরক্লবা রিকমেন্দেসনশিং তৌরকপা য়াবা অৱাংবা থাক্লী কম্মিটি অমা নুমিৎ ১০ নিগী মনুংদা শেম্ননবা সেন্ত্রেল গভর্নমেন্টনা থৌরাং তৌবা লোইখ্রে। মসিগীদমক মমাং চয়োলদা মণিপুরদা লাক্লগা সি এম ইবোবী অমদি মরী লৈনবশিং উন্নদুনা শেমগদৌরিবা কম্মিটি অসিগী মতাংদা কুপ্না খন্নখি। মসিদা নত্তনা যু এন সিগী লুচিংবা কয়াগা কম্মিটিসিগী মতাংদা খন্নখি। যু এন সিগী দিমান্দদি মণিপুর গভর্নমেন্টকা মরী লৈনদবা মখোয়গী ওইবা লৈঙাক অমা থম্বা হায়বগী ৱাখল্লোন অসিনি হায়না ফ্রেদসকী প্রসিদেন্ট সাপমচা জাদুমনিগী চেরোল অমনা হায়রি।

রেজিষ্টার তৌজরগনি

"All Wangjing Youth Football Club" কৌবা Football Club অমা নৌনা রেজিষ্টার তৌজরগনি কনাগুম্বশিংনা মসিদা য়েৎপীনিংবা লৈরগদি নোতিস অসিনা ফোংবা নুমিত্তগী পারগা নুমিৎ ৫ নি ফাওবগী মনুংদা য়েৎপিবা য়াগনি তুংদা লাকপা আপতি ৱাকৎ লৌজরোই।

Sd/- **L. Manao Singh**
Secretary
All Wangjing Youth Football Club

NT/RB/28

ঐগী ইঙ্খোল মুনবীখ্রে

ঐগী ইঙ্খোল দাগ নম্বর ১১১৫/১২৮১ অনৌবা পাট্টা নম্বর ৮৭৮/১০৬১ থোংজু পার্ট-২ দা লৈবা ইঙ্খোল অসি কোনসম রোহেন সিংহ অপোকপা কোনসম বীজয় সিংহ থোংজু পার্ট-২ দা লৈবা অসিদা করিগুম্বা অচিনবা অমগীদমক্তা লৈবা য়োনবা রেজিষ্টার তৌনরগা বনধান ওইনা অপীকপা শেনফম অমদা থমখিবনি অদুবু ঐগী অৱাবা খুদোংচদবা ফীভমদা রোহেন সিংহনা খুদোংচাবা লৌখিদুনা বানধান হনজরগে হায়জরুবদা য়ারক্তরে অদুগা মহাক্লা লৌশিন্নবা হোৎনরে মরম অদুনা তোল্লা তারবা মীশিংগী মপোৎ মরন মুনবীবা অসিদগী মনুহনবীগনু হায়না মরি লৈনবা অথোরিটিগী মীৎয়েং চীংশিনজরি।

হায়জরিবা:-
খোয়রোম লোকেন সিংহ
থোংজু পার্ট-২

NT/58786/28

মচা হাৎনবা তানবা মপা মশা ওইনা শিরে

ইম্ফাল, ফেব্রুৱারী ২৭ : ঙরাং নুমিদাং পুং ১১ রোম তাবদা মোইরাং পুলিস ষ্টেসনগী মনুং চনবা মোইরাং খুন্নৌ মখা লৈকাইদা ৱাখল লায়না নারবা মৈস্নাম গোসাই (৪২) অপোকপা লৈখিদ্রবা বিরা কৌবা অমনা মহাক্লা হেক পোকচবা মচানুপা অহল কান্তা থাংনা য়ান্দুনা হাৎনবা হোৎনবদা মশা ওইনা শিরে হায়রি।

থৌদোক অসিগী মতাংদা প্রেসনা ফংবা পাউদা গোসাইনা থাং পায়রগা অরৈ অরৈবা পোৎশিং য়াঙ্খৎতুনা মচানুপা কান্তাবু কোইথি থিখি। নুমিদাং পুং ১১ রোম তাবদা কান্তা ময়ুমদা হনজিল্লকপদা মপানা থাং পায়রবা হাৎনবা চেনশিল্লকপদগী চেনখি। মদুদা গোসাই কোংকুৎতা তুশিন্দুনা মখুৎতগী থাং নাঙ্হোক্তুনা তারিঙৈদা কান্তানা খুনগৎনবা হোৎনরিঙৈদা অমুকসু চেনশিল্লক্তুনা মখাংদা কোনখি। মদুদা কান্তনা চংশিল্লক্তনবা থাং পায়রগা হাইবদা গোসাই মকোক্তা শোক্তুনা লৈখিদবনি হায়রি।

কান্তা থৌদোক অদুদগী কিদুনা চেনখিবদগী হৌজিক ফাওবা মফম খঙদ্রি হায়রি।

য়ুআরএফকা মরী লৈনদে

ইম্ফাল, ফেব্রুৱারী ২৭ : এমপিপিগী ভাইস প্রসিদেন্ট মনিস্না হাৎপদা য়ুআরএফকা মরী লৈনদে। ঙসি দিপ্যুটি সিএমগী ৱারোলদা পল্লক্লিবা থাঙ্গ চীংখাদগী হৈস্নাম বিনোদো এলাইজ লেম্বা অপোকপা বিহাররি হায়রিবা মীওই অসি য়ু আর এফকী থৌপুবা মীশক্লি। মনিসনা মীহাৎতা চেন্নৈ হায়রিবা থৌবাল তাংজেঙ খোংঅহনবীদগী য়ুম্নাম মনি এলাইজ তেলহৈবা হায়রিবা মীওই অসিদি ২০০৩গী নভেম্বর ১২ দা য়ুআরএফকী কেম্পতগী লোন্না চেনখ্রবা মীশকনি হায়না লুপ অসিগী ইনফোর্মেসন এন্দ পব্লিসিটি সেক্রেটরি সনাজাওবা মৈতৈনা থাদোরকপা চেরোল অমনা হায়রি।

চেরোল অসিনা মখা তানা হায়রিবনা, তেলহৈবদা লুপকী অহকপা থৌদাং অমত্তা শিন্নখিদ্রি। ষ্টেট অসিগী দিপ্যুটি সিএম অমনা য়ুম্ফম য়াওদবা ৱারোল মীয়ামদা হায়জিনবগী চৎনবী অসি ঙসি ঙরাংতগী চৎনবী নত্তে হায়রি।

করেন্সিদা হাপ্লবা সরকারগী থৌরাং লৈত্রি

ইম্ফাল, ফেব্রুৱারী ২৭ : ভারত সরকারগী ফাইনান্স মিনিষ্ট্রিনা খঙহল্লক্তবনা হৌজকমক্কী ওইনা মণিপুরী লোন য়াওনা নৌনা সেদ্যুলদা চল্লবা লোনশিং ভারতকী করেন্সি নোটতা হাপ্লবা ষ্টেট সরকারনা অকনবা থৌরাং লৌখৎপা লৈত্রি হায়না ঙসি এসেমব্লিদা কৈশামথোং কেন্দ্রগী এমএলএ এল ইবোমচানা হংলকপা ষ্টার ক্বেসনগী পাউখুমদা এডুকেসন মিনিষ্টর এম ওকেন্দ্রোনা হায়খ্রে।

এমএলএ অসিন হংলকপা ৱাহংশিংগী পাউখুমদা মিনিষ্টর ওকোন্না হায়খিবদা, ভারত সংবিধানগী ৮ শুবা সেদ্যুলদা অহানবা লোন ১৫ য়াওই। করেন্সি নোটশিংদা ইরিবা ৮ শুবা সেদ্যুলদা চল্লবা লোনশিংদি শুপ্নগী অহানবগী লোন ১৫ খক অসিনি। মণিপুরী য়াওনা নৌনা সেদ্যুলদা চল্লবা লোনশিং ভারতকী করেন্সি নোটতা হাপ্লবা ভারত সরকারগী ফাইনান্স মিনিষ্ট্রিনা খঙহল্লক্তবনা হৌজিকমক্কীদি ষ্টেট সরকারনা অকক্লবা খোঙথাং লৌখৎপা লৈত্রি। অদুবু করেন্সি নোটতা য়াওরবদি ফগ্দবা কয়া লৈবনা মণিপুর লেঙ্গুইজ ওফিসিয়েল, ফুল্ল ফ্লজেদ দিরেক্টোরেট অমদি লিংখৎলে হায়না সভাগী পুক্লিং চিংশিনখি।

দিমান্দ পীদ্রবদি মৈ থাদবগী খোঙজং চংশিল্লগনি

ইম্ফাল, ফেব্রুৱারী ২৭ : ইলেক্ট্রিসিটি দিপার্টমেন্টতা থবক তৌরিবা ৱার্ক চার্জ অমসুং মাষ্টররোল ইমপ্লোয়িশিং রিগুলর তাহল্লু অমসুং এ সি পি স্কিম চৎনহনবা য়াওবা মতম চানা প্রমোসন পীবিয়ু হায়বা দাবীদা ঙসিসু দিপার্টমেন্ট অসিগী ৱার্ক চার্জ অমসুং মাষ্টররোল ইমপ্লোয়িশিংনা কৈশাম্পাৎতা লৈবা ইলেক্ট্রিসিটি দিপার্টমেন্টকী ওফিস মমাংদা সিট ইন প্রোটেষ্ট পাঙথোকখ্রে।

খোঙজং অসিগী মতাংদা মণিপুর ইলেক্ট্রিসিটি ইমপ্লোই যুনিয়নগী জেনরেল সেক্রেটরি রাজেন্না হায়খিবদা, দিপার্টমেন্ট অসিদা থবক তৌরিবা ৱার্ক চার্জ অমসুং মাষ্টররেল ইমপ্লোয়িশিং দিপার্টমেন্ট অসিনা কো-ওপরেসন ওল্লকপদা রিগুলর তাহৌদ্রবদি থবক তোকপগী ফিভমদা লৈরে। মরম অদুনা রিগুলর তাহন্নবা সরকারদা হায়জখ্রবসু পোজিটিভ রেস্পোন্স অমত্তা পীরক্তবনা খোঙজং অসি চংশিনবনি। করিগুম্বা সরকারগী মায়কৈদগী দিমান্দ অসি থওইদ্রবদি হেন্না কনবা খোঙজংশিং চংশিনগনি। মার্চ ৩ ফাওবা সরকারগী রেস্পোন্স য়েংলবা মতুং করিগুম্বা পোজিটিভ রেস্পোন্স অমত্তা হায়রিবা মতম অসি ফাওবগী মনুংদা লাক্তুবদি দিপার্টমেন্ট অসিনা পীরিব মৈ থাদবগী খোঙজং চংশিল্লকপা য়াই। দিমান্দশিং ফংনবা হোৎনবদা শিদ্রিবা ফাওবা চরা হেনবগী খোঙজং চংশিনগনি হায়খি।

পব্লিক লাইব্রেরি লৌশিন্নবা তকশিনখ্রে

ইম্ফাল, ফেব্রুৱারী ২৭: ইম্ফালগী বি টি রোডতা মণিপুর প্রদেশ কংগ্রেস কম্মিটি (এম পি সি সি)গী হেদ ক্বার্টরগা থংননা লৈরিবা মণিপুর পব্লিক লাইব্রেরি অসি ষ্টেট অসিগী গভর্নমেন্টনা লৌশিল্লু হায়বা প্রাইভেট মেম্বর রিজোলুসন অমা ঙসি উরিপোক এসেমব্লি কন্সটিট্যুয়েন্সিগী এম এল এ, লাইশ্রম নন্দকুমার সিংহনা মণিপুর লেজিসলেটিব এসেমব্লিগী মীফমদা পুখৎখ্রে হায়রি।

অমরোমদা, থৌওং অসিবু য়ানিংদবা ফোঙদোক্লদুনা লাইব্রেরিবু নুংশিজবা মীওই খরনা পব্লিক লাইব্রেরি অসি মতম শাংনা মীয়ামগী মীৎ-নাকোং ওইদুনা লাক্লবনি। অদুবু গভর্নমন্টেনা লৌশিনহন্নবগীদমক্তা এল নন্দকুমার সিংহনা থাঙ্গৎলক্লিবা প্রাইবেট মেম্বর রিজোলুসন অসিগী মরুমদা করি লৈরিবগে হায়না হংনরক্লি।

মণিপুর ভবনগী মতাংদা কোল্লিং এটেন্সন পুখৎকদৌরি

থৌদাং পাউমীদগী

ইম্ফাল, ফেব্রুৱারী ২৭: হয়েং, মণিপুর লেজিসলেটিব এসেমব্লিগী হৌজিক চত্থরিবা মীফমগী মরিনি চনবদা ওপোজিসন পার্টিগী এম এল এ অমা ওইনা লৈরিবা নেস্নেলিষ্ট কংগ্রেস পার্টি, মণিপুর প্রদেশকী প্রদিদেন্ট, লাইশোম ইবোমচা সিংহনা হাওসতা ন্যু দিল্লিগী চানক্যপুরিদা লৈবা মণিপুর ভবন অসি অরানবা মওংদা শীজিন্নরে হায়বা ৱাফম অসিগী মতাংদা কোল্লিং এটেন্সন অমা পুখৎকদৌরি।

মতুংদা মণিপুরদা বন্দ অমসুং ব্লোকেদকী ৱাফমদা পাউথোংফম ওইদুনা পোৎ-চৈগী মমল অতিয়া পক্না ৱাংখৎলকপগী মতাংদা পব্লিক ইন্টরেষ্ট দিক্সসন অমসু হাওসকী মীফম অদুদা পাঙথোক্কনি হায়রি।

অনৌবা বিল অনি -- মণিপুর ষ্টেট কম্মিসন ফোর দি সেদ্যুল ত্রাইবস বিল, ২০১৪ অমসুং রাজিব গান্ধি নেস্নেল য়ুনিভর্সিটি, মণিপুর বিল ২০১৪ হায়রিবশিং অসিসু হয়েংগী মীফম অসিদা দিপুটি সি এম গাইখাঙম্মা হাওসতা পুথোক্কনি হায়না পাউগী লিখুল অমনা ফোঙদোরক্লি।

IN THE COURT OF THE SUB-DEPUTY COLLECTOR IMPHAL WEST (CENTRAL)

Ref: Mutation Case. No. 339/SDC/IW(C)/2014 Dt. 24/2/2014

Nandeibam Gopal Singh S/o (L) N. Birachandra Singh of Haobam Marak Chingtham Leikai.
... Petitioners

-Vrs:-

(L) Nandeibam Birachandra Singh S/o (L) Mangi Singh of Chingtham Leikai.
... O.P.s

NOTICE

The 26th Feb., 2014

Under Section 46 (3) of M.L.R. & L.R. Act,1960 অসিনা মরম ওইদুনা খঙহল্লি মদুদি মৃ: পাট্টাদার নান্দৈবম বিরাচন্দ্র সিংহ পীং মৃ: মঙ্গি সিংহ সাং চিংথাম লৈকাই গী মিংদা লৈবা ই:ও তহশিলগী খুল নং ৪৬-নাওরিয়া পাখংলাকপা গী অনৌবা পাট্টা নং ৩১২ দাগ নং ৫০৮ অমসুং এরিয়ানা .০৪২০ চাওবা ইঙ্খোল অসি মথক্তা পীরিবা দংকারি অসিনা মাগী মমিংদা পানবীনবা উক্তা কোর্ট অসিদা দরখাষ্ট থারক্লে। মরম অসিনা পাউ-চে অসিনা ফোঙবা মতুং নুমিৎ ৭ নি গী মনুংদা ইঙ্খোল অসিগা মরী লৈনবা কনাগুম্বনা আপতি তৌবীনিংলবদি তৌবা য়াগনি। মথক্তা পীরিবা মতমঅসিগী মতুংদগীদি কনা অমত্তগীআপতি লৈত্রে লৌরগা কোর্টনা মখা তাবা থবক চত্খজরগনি।

Sd/- **Sub-Deputy Collector**
Imphal West (Central)

NT/58785/28